**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-06-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০৬-২০২৪,লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দিবীনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) মনিপুরদা ঙসি ২৩ শুবা দ গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ গী থৌরম পাঙথোক্লি।

২) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি - মৈতৈ অমদি কুকি অনিমক্কী কাংবুগা গৃহ মন্ত্রালয়না ৱারি শান্নদুনা ফুরুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা অসি অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি।

**অমসুং**

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লালহৌবা অহুম ফারে,কাংপোকপী জিলাদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়সু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**জন় ১৮ (এল)ঃ** ২৩ শুবা দ গ্রেট জন় অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ ঙসি পাঙথোক্লি। ওবজার্ভেসন কমিতিনা দ গ্রেট জন় অপরাইজিং, য়ুনিতি ডেনা শিন্দুনা মপুং ওইবা নিংশিং থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভমদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা য়াকায়রোল শক্তুনা থৌরম অসি হৌদোকখি। তুংদা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা লৈশ্রু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

ইং ২০০১ গী জন় ১৮ দা মণিপুরগী মীয়ামা অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী অচৌবা ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালগী রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কশিংদা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

**অমিট সাহ (এল)ঃ** - মনিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক অকনবা থবক পায়খৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা তঙাই ফদ্রদি অহেনবা ফোর্স থাজিনগনি হায়না কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিট সাহনা ফোংদোকখ্রে। ন্যু দিল্লিদা ঙরাং শ্রী সহানা সভাপটি ওইদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকতুনা কুপা খন্না নৈনখি ।

হিংশাগী থবক চথুরিবশিংবু আইনগী মতুং ইন্না অকনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরগী প্রজাশিংবু তেক্তা কায়দনা থমবগীদমক চপ চানা লেপ্লি।মীফম অদুদা মহাকা মনিপুরগী চিফ সেক্রেটরিদা প্রজাশিংগীদমক তঙাই ফদবা হকশেল অমদি লাইরিক লাইশ্রুগী লমদা নিংথিনা য়েংশিন্নবা খঙহনখিবদা নত্তনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংগী মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা অথুবদা থবক লৌখৎনবসু খঙহনখি। মহাকা হায়- মৈতৈ অমদি কুকি অনিমক্কী কাংবুগা গৃহ মন্ত্রালয়না ৱারি শান্নদুনা ফুরুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা অসি অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি। মনিপুরগী সেক্যুরিতি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা মনিপুর সরকারবু মতম পুমমক্তা মতেং

পাংলি।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি অজয় ভালা, ইন্তিলিজেন্স বিউরোগী চিফ তপন দেকা , আর্মী চিফ-জেনরেল মনোজ পান্দে, মনিপুরগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, চিফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি অমদি লানমীশিংগী মকোক থোংবশিং য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েলশিংশু শরুক য়াখি।

**এ.আর(এল)ঃ** নাগালোন্দগী মোন জিলাদা ঙরাং লালহৌবশিংনা চথুরকপা এম্বুসতা অসাম রাইফলসকী জৱান ৩ শীরে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অসাম রাইফসকী কাংবুনা মফম অদুদা এরিয়া দোমিনেসন চথুরিঙৈদা লালহৌবশিংনা এম্বুস তৌরকখি । মখোয়নসু খুৎ-হন্দুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপনখি। থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী জৱান ৩ অদু লৈখিদবনি। তুংদা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং মনুংশিংগসু উন্নখি।

**ইদুকেসন(এল)ঃ** ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তা এল. নন্দা কুমারনা হায়রি -সমগ্রা শিক্ষা মনিপুরগী কন্ত্রেক বেসিসতা প্রি প্রাইমরি ওজা লিশিং ১, ১৪০ লৌবগী থবক থৌরম পুমমক সরকারনা শেন্বা অৱাংবা থাক্কী কন্মীতি অমনা য়েংশিল্লগনি। কন্মীতি অসিনা মপুং ফানা য়েংশিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা ওজা লৌবগী থবক লেপখিগনি।

অমরোমদা, হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামা পীরকপা মোটশিং সরকারনা তরামা ওক্লি। অদুবু হিংশা য়াওবা থৌদোকশিং লেপ্পীনবা বিভাগ অসিগী জোইন্ত সেক্রেটরিনা আপিল তৌরি ।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংশোইবি মপালগী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা রাজ্য থাগী লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী (নাউনচা লৈমা)মেমোরিয়েল ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা মাঙাং এফ.সিনা -এফ.সি কুম্বীবু পাঞ্জল ৪- ২ দা থোইখ্রে । অতোপ্পা মেটচ অমনা য়াদা (বি) না ইশোক এফ.সিবু পায়্জল ৮-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা ১৭ শুবা এন.বালানন্দাশিং মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তি ফুটবোল লিগকী ৱিন্নর ওইরে। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা সাই এস.এস.জি উৎলৌবু পাঞ্জল ২-১ দা মাইথিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি রক্সাগী ফীভম ফগৎনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম মফমশিংদা থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কাংপোকপী জিলাগী গাংপিজাং হিল রেঞ্জতগী ৭.৬২ এম.এম, এ.কে ফিস্তি সিক্স এসোল্ট রাইফল অমা , পোইন্ত ২২ রাইফল অমা , ত্বেলফ ইঞ্চ সিঙ্গল বোর বেরেল নোংমৈ অমা , ইম্প্রোবাইজ প্রোজেক্তাইল লোঞ্চর ২, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেট অমা, ফিবতি ৱান এম.এম. মোতার অমা য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙল্লে ।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি নোয়োন গ্রুপকী মীওই অহুম ফারে। মখোয় অদু জিলা অসিগী লমলোং ভিলেজ মনাক্তা লৈবা সনতোংদগী ফাখিবনি। চরোল অদুনা মখা তানা হায়- অসাম অমদি মনিপুরগী পুলিস ওফিসরশিংনা জিরিবামদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা হৌজিক জিলা অসিদা ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। জিলা অসিদা তংদু লৈতাবা ফীভম পোরকবগীদমক পুলিসনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পি.এম কিষন সমান নিধি স্কিমগী মখাদা লৌমী কোতি ৯ লাখ ২৬ রোমদা লুপা কোতি লিশিং ২০ হেনবগী শেনফম পীথোক্লগনি। হায়রিবা ১৭ শুবা ইন্সতোলমেন্ত অসি প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি বারানাসিদা য়েন্থোক্কনি। মদুদা কৃশি সাখিস ওইনা ত্রেন তৌরবা সেলফ হেল্ফ গ্রুপশিংদা য়াওবা নুপী লিশিং ৩০ রোমদসু সার্তিফিকেট য়েন্থোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা লাক্লিবা তাং ১৮ অমসুং ১৯ দা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা চৎকনি। মহাক্কী খোংচৎ অসিদা বিহারদা হন্দক্তা নৌনা শাবা নালন্দা য়ুনিভার্সিতিসু শঙ্গাগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক ৱাইকোম চিত্রধানি লৈরে--**

**--চিত্রধানি--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা ঙসি ২৩ শুবা দ গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ গী থৌরম পাঙথোক্লি।

২) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি - মৈতৈ অমদি কুকি অনিমক্কী কাংবুগা গৃহ মন্ত্রালয়না ৱারি শান্নদুনা ফুরুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা অসি অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি।

**অমসুং**

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লালহৌবা অহুম ফারে,কাংপোকপী জিলাদগী য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়সু ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা - দিল্লি ৱারি শানবা ৱারেপ লৌরবসু জিরি মনাক্তনা লন্বী থীংখি হায়না ফোতোগা কোন্ননা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা মফম ৫৫ রোমদা আর্মী থমবা ওদর থোক্লকপদা মীপায়বা পোকই হায়বা পাউ অমসু ফোংলে।

পোকফমদা- করি লাক্কদগে হায়বদি খঙদ্রি, সসপেন্দেদ এনিমেসন লাক্কদ্র হায়বগী চিংনবা পোকই হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা -মনিপুর লোক অয়ুক্তা হৌজিক করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হংন্নরক্লে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা -বোর্দর এরিয়াদা লৈরিবা মারিং খুলশিংদা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং থোমজিল্লক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। জিরিদা হৌরকখিবা ইরাং জ্দিসিয়েল ইনক্কারি তৌগদবনি হায়বা ইমা লুপশিংগী ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

মনিপুর নিউজতা - জিরিদগী ইম্ফাল তমা থোরকপা লোদেদ ত্রকশিং তাৎবুংদা কুকি নুপাশিংনা থৎতুনা চৎহনখিদ্রে। দি.সি য়াওনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং চৎতুনা ৱারি শান্নরবসু করিমত্তা কান্নখিদ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মীজোরাম ম্যান্মার বোদর ত্রেদ লেপখিবদগী খুঞ্জাশিং চানবা ফংদ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা ফোংলে।

সনা লৈবাক্তা - সজিৱা সেন্ত্রেল জেলদা লৈরিবা বর্মীজ ইনমেটশিং কৈশুম শঙদা ইরাং হৌরকখ্রে হায়বগী পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ চে অসিদা শীরারখোংগী খানখান জিমিক্কী লিভিং ম্যুজিয়ম, তাঞ্জুলশিংগী অরিবা শক্তমবু ঙসিগী মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনা হৌরি হায়বা পাউ অসিনা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা - ম্যান্মারদা এন.এস.সি.এন আই.এমগী কেপ্তেন কে.এন.এ.বি মিলিতেন্তনা হাৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা - মনিপুরগী ফোরেস্তকী লম সক্কার ফিট ৫৪৩ মাংলে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকেলদা - জিরিবামগী মতাংদা মীফম পাঙথোকবা ইন্দিয়া ব্লোকা হায়জখ্রে। হায়বগী পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন্দা- তেংনৌপলগী মারিং খুলশিংদা ম্যান্মার মীওইশিং আইন কায়না খুন্দাশনবা থেংনরে , ক্রোস বোর্দর মুভমেন্ত অসি অয়াম্বনা এ.আর পোস্ত মনাক্তা উরি হায়না ফোতোগা কোন্না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - কাংপোকপীদা বস মৈ থাখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা পোৎচৈ পুবা ত্রক ৫০০ গী মথক্তা কুকি নুপীশিংনা থীংখ্রে হায়না ফোংলি

তমেংলোং টাইমসতা- জন্ ১৮ দা অকনবা নোং চুগনি হায়না আই.এম.দিনা হায়বগী মতুং ইন্না তমেংলোংগী মীয়ামা তমেংলোং দি.সিগী পাউতাক মতুং ইন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়না ফোংলি।

--নোলিনি--